**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা শকাইৎরবী ৱুসু শান্নরোই আর্জ্ন এৱার্দি নাওরেম রোসিবিনাদা দি.এস.পিগী এপ্পোইন্টমেন্ট লেট্টর খুৎশিন্নখ্রে।

২) চীফ সেক্রেটরি পি.কে. সিংহনা হায়রি- মফম অমগী সমাজকি অমসুং শেল থুম চাওখৎপা পুরকবা হোৎনবদা বেঙ্ককী থবক থৌরমশিং পাকথোক চাউথোকপা য়ামা মরুওই।

৩) সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

৪) লৈবাক অসিগী অহানবা কোওপরেতিভ য়ুনিভর্সিতি গুজরাত্তা লিংলগনি।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী আই.টি. মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি- সরকারনা আই.টি. ইন্তরমেদিয়ারি রুলসকী মতুংইন্না গেমিং সাইটস ৪১০ থিংজিল্লে।

------

রাজ্যপাল (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিগী একজিক্যুতিভ বোর্দকী চহিগী মীফম ইম্ফালগী রাজ ভবনদা লৈবা কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। একাদমি অসিগী চেয়ারমেনসু ওইরিবা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা সভাপতি ওইদুনা মীফম অদু পাঙথোকখিবনি।

মীফম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিবু হেন্না চাওখৎহন্নবা, মসিগী এদমিনিষ্ট্রেসন, থৌশিল থৌরাং হেনগৎহন্নবা, শেল থুমগী ওইবা প্রোগ্রাম পাকথোক চাউথোকবা অমদি কলা সংস্কৃতি অমসুং লিটরেচর হেন্না চাওখৎনবগী মতাংদা কুপা খন্নখি হায়রি। মীফম অদুদা রাজ্যপালগী সেক্রেটরি সুমন্ত সিংহ, কম্মিসনার ফাইনান্স এন. অশোক কুমার, স্পেসিয়েল কম্মিসনার কম সেক্রেটরি (আর্ট এন্দ কলচর) এম. জোয় সিংহ অমদি বোর্দকী মেম্বরশিং শরুক য়াখি।

রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা লমদমসিগী শকাইরবী ৰুসু শান্নরোই আর্জ্ন এৱার্দি নাওরেম রোসিবিনাদা এপ্পোইন্টমেন্ট লেট্টর খুৎশিন্নখ্রে। মহাকা জাতিগী ওইবা তোঙান তোঙানবা চাংদমবশিং য়াওনা এসিয়ান গেমস অমদি মালেমগী ওইবা তুরনামেন্টশিংদা তকমান কয়া লৌবা ঙমখিবগীদমক দিপ্যুতি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (স্পোর্টস)কী ফম পুনবা সরকারনা লেপখিবনি।

অমরোমদা, লোক্তাক হাইদ্রো ইলেক্ট্রিক প্রোজেক্ট মণিপুরগী হেদ ওফ প্রোজেক্ট উপেন্দ্র হজজ্রাগা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা ঙসি রাজ ভবনদা উন্নখ্রে। মদুদা তোঙান তোঙানবা পায়খৎলিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা রাজ্যপালদা পাউদমখিবগা লোয়ননা অহেনবা মতেং পাংবীদুনা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং খুমাং চাওশিন্নবা রাজ্যপালগী পুকিং চিংশিনখি হায়রি।

এসবিআই (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাগী সাইকুল বিধান সভা কেন্দ্রদা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস.বি.আই)গী অহানবা ব্রাঞ্চ ঙসি চীফ সেক্রেটরি পি.কে. সিংহনা হাংদোকখ্রে। ব্রাঞ্চ অসি চীফ সেক্রেটরিনা ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা এস.বি.আই রিজনেল বিজিনেস ওফিসতগী ভারচুয়েল ওইনা হাংদোকখিবনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা রাজ্যগী দাইরেক্তর ওফ ইন্সটিট্যুসনেল ফাইনান্স শ্রী রঞ্জন যুমাম, এস.বি.আহ রিজনেল বিজিনেস ওফিস ইম্ফালগী রিজনেল মেনেজের খুমুকচম ওকেন্দ্র সিংহ অমসুং এস.বি.আই ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী এসিষ্টেন্ট জেনেরেল মেনেজর মোইরাংথেম দেব কিশ্বর সিংহ শরুক য়াখি। সাইকুলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদনা এ.দি.সি কাংপোকপী সোখোঙম বাইতে অমসুং লমদম অদুগী

লুচিংবশিং শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা চীফ সেক্রেটরি পি.কে. সিংহনা মফম অমগী সমাজকি অমসুং শেল থুম চাওখৎপা পুরকবা হোৎনবদা বেঙ্ককী থবক থৌরমশিং পাকথোক চাউথোকপা হায়বসি য়ামা মরুওই। মহাকা হায়- সাইকুল এস.বি.আই ব্রাঞ্চ অসি মণিপুরগী ওইনা ৬৬ শুবা এস.বি.আই ব্রাঞ্চনি অমদি অসিগুম্বা ব্রাঞ্চ হাংদোকবা হোৎনবদা এস.বি.আইনা লৌরিবা থৌদাংবু থাগৎপা ফোংদোকখি। চীফ সেক্রেটরিনা এস.বি.আইগী ওফিসিয়েলশিংদা এদমিনিষ্ট্রেসন ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবসু খঙহনখি।

উখ্রুল (এল)ঃ এম.এল.এ লোসি দিখোনা হায়রি- মণিপুরগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং অমদি সরকারগী থবক থৌরমশিংদা চর্চশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ।

ৱাফম অসি মহাকা ঙসি উখ্রুলগী য়ু.বি.সি জ্‌বিলি হোলদা পাঙথোকখিবা নাগা বেপটিষ্ট লিদরস মিটকী থৌরমদা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- খৃষ্টানিতি হায়বসি নুংশিবদা য়ুম্ফম ওইবনি।

থৌরম অদুদা এম.এল.এশিং- কুমো সা, লৈসিও কৈশিং অমদি খাসিম ভাসুম শরুক য়াখি। নুমিৎ হুমি চখ্থরকপা থৌরম অদুদা অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, নাগালেন্দ, মণিপুর অমসুং ম্যান্মারগী নাগা বেপটিষ্টকী লুচিংবা লিশিং ১,৫০০ রোমা শরুক য়াখি।

আইবিএসদি (এল)ঃ ওন্তরপ্রেন্যুরশিংগী ওইবা নুমিৎ নিনি চখ্থগদবা চেঙ্গুম থাবগী ৱার্কসোপ অমা ইন্সটিট্যুট ওফ বাইও রিছোর্সেস এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট আই.বি.এস.দিনা শিন্দুনা ঙসিদগী হোখ্রে। ৱার্কসোপ অদু সাইন্স এন্দ টেকোলোজিগী সেক্রেতরি কেঙু জ্‌নিংলানা হৌদোকখি। ৱার্কসোপ অসিদা তোঙান তোঙানবা মীওই ২৭ রোমা শরুক য়ারি।

সেক্যুরিতি (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চখ্থবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী মণিপুর, নাগালেন্দ অমদি অরুনাচল প্রদেশকী পি.আর.ওনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- থা অসিগী ২২ দগী ২৫ ফাওবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট, হম্ফাল ইষ্ট, ককচিং, বিষ্ণুপুর অমদি সেনাপতি জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মণিপুর পুলিস, ভারত লাম্মী অমদি অসাম রাইফলসনা থিবা হুম্বগী থবক চখখি।

ককচিং জিলাদগী শেমদোক্লবা মোর্তার অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, শেমদোক্লবা করবাইন মেছিনগন অমা অমদি নোংমৈ মরু য়াওনা লানদা শিজিন্নবা পোৎলমশিং ফাগৎখি।

সেনাপতি জিলাগী ফাইকোটতগী ইন্সাস অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা অমদি এস.এল.আর অমা অদুগা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদগী টু ইঞ্চ মোর্তার অমা অমদি জিরো পোইন্ট থ্রি টু এম.এমগী পিষ্টোল অমা, জিরো পোহন্ট টু টু রাইফল অমা তুয়েল্ব বোর দবল বেরেল রাইফল অমা, ফিফতিৱান এম.এম মোর্তার মরি, নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা ফাগৎখি।

বিষ্ণুপুর জিলাদগী এ.কে. ফোরিসভেন অমা, তুয়েল্ব বোর রাইফল অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, দবল বেরেল রাইফল অমা, শেমদোক্লবা রাইফল অমা অমদি শেমদোক্লবা মোর্তার অনি ফাগৎপা ঙমখি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অসি মখা তানা থিজিন্নবগীদমক মণিপুর পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

ককচিং (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন্না ককচিং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা লোয়ননা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংনা করমা লৈরিবগে হায়বদু য়েংশিনবগী কেম্প অমা দি.সি. ককচিং ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিসনার রোহিত আনন্দনা হায়- সেরৌ অমসুং শুগনুদা ইমুং ৪৮৪ অমুক হন্না খুন্দা লৈতাহন্নবা শেনফম কাইথোকখ্রে অমদি য়ুম ২৭৬ শেমগৎপগী থবক চখরি। মহাকা হায়- হৌখিবা থা অনি অসিদা কেম্পতা লৈবা মীওইশিংগী মশিং হন্থরক্লি। চাউরাকা মীওই ৮০০ মফম চানা লৈহনখ্রে।

ত্রাইবেল (এল)ঃ  ইং ২০২৪-২৫ গী ওইনা সেদ্যুল ত্রাইবকী প্রি অমসুং পোষ্ট মেত্রিক স্কোলারসিপকী অশোইবা এপ্লিকেসনশিংগী  ওনলাইনগী খুত্থাংদা দোক্কুমেন্টশিং পীশিল্লকপগী মতম শাংদোক্লে। ত্রাইবেল এফ্যারস এন্দ হিলস মণিপুরগী দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মথং থাগী ৮ ফাওবদা এপ্লিকান্টশিংনা ওনলাইনগী খুত্থাংদা দোক্কুমেন্টশিং পীখৎলক্কনি।

এৱার্দ (এল)ঃ  ইন্সটিট্যুট ওফ ফিজিক্স পাবিসিং, ইংলেন্দনা ফোংবা তোঙান তোঙানবা জরনেলশিংগী মনুংদা সেমি কন্দক্তর সাইন্স অমসুং টেকোলোজি হায়বা জরনেল অসিদা রিভিউ পীখিবা ধনামঞ্জরি য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইলেক্ত্রোনিক্সকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ডাঃ খোইরোম জোনসনদা পিয়ার রিভিউ এক্সিলেন্স আই.ও.পি আউটষ্টেন্দিং রিভিউৱর এৱার্দ ২০২৪ পীরকখ্রে। মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মীওই ২৪ এৱার্দ অসিগীদমক খল্লকপদা খোইরোম জোন্সনসু য়াওরকখিবনি। মহাক থারগা লৈবাক অসিদগী মখোয় ৬ তা এৱার্দ অসি পীরকখিবনি।

কংলৈ (এল)ঃ কমিতি ওফ ইমপ্লিমেন্টিং প্রাইম মিনিস্তর অৱাস য়োজনা, উরিপোক ৱার্ড নম্বর সিক্সনা শিন্দুনা কংলৈ য়েলহৌ অরী-সিনাই শিদমশঙ ঙসি শঙ্গাখ্রে।

থৌরম অদুদা কংলৈ ইমা লুপ (কিল) গী প্রসিদেন্ট-আর.কে. সনাহনবী, রাজ্য সরকারগী হান্নগী কন্মিস্নার ওইরম্বা-কাংজম রাধাকুমার য়াওনা মশক নাইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

মৈ (এল)ঃ  এম.এস.পি.দি.সি.এলনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মৈ লান্না শিজিন্নবশিং ফাননবা চথুখিবা খোঙজংদা পুন্না মীওই ২৭ মৈ লান্না শিজিন্নরম্বগীদমক ফাগৎলে হায়রি।

এম.এস.পি.দি.সি.এলগী চেরোল অমনা হায়- কঞ্জুমর ১৭ কী মৈ ককথৎলে।

ককচিং (এল)ঃ  ভোকেল অমদি ইন্সত্রুমেন্টেল ম্যুজিক্কী মতাংদা শিবকুমার মেমোরিয়েল ম্যুজিক কলেজ ককচিংনা শিন্দুনা ঙসি ককচিং খুনয়াই লৈকাইদা লৈবা ম্যুজিক কলেজ অসিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। নোংমগী ওইবা হিন্দুস্তানি ক্লাসিকেল ম্যুজিক কন্সর্ট অদ্দা কলেজ অসিগী অহানবা সোভিনিয়র ফোংখি।

দেন্টেল (এল)ঃ  দিপার্টমেন্ট ওফ প্রোস্থোধোন্তিক্স দেন্টেল কলেজ রিমসনা শিন্দুনা ঙসি ৱার্ল্ড ওরেল হেলথ ডে সেলেব্রেসন ২০২৫ গা মরী লৈননা ষ্ট্রিট প্লে অমা উৎখ্রে। থাবুম অমা চথ্খগদবা ৱার্ল্ড ওরেল হেলথ ডেগা মরী লৈননা রিমস হোস্পিতালগী ও.পি.দি কমপ্লেক্সতা উৎখিবা প্লে অদু মীয়ামদা য়াবু করমা ফনা থমগদগে হায়বদু খঙহন্নবনি।

ইসি ঃ  চীফ ইলেক্সন কম্মিসনার শ্রী গ্যানেশ কুমারনা বি.এল.ওশিংগী ওইবা অহানবা ত্রেনিং নিউ দিল্লিদা লৈবা ইন্দিয়া ইন্তরনেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ দেমোক্রেসি এন্দ ইলেক্সন মেনেজমেন্টতা পাঙথোকখ্রে। থৌরাং অসিগী মখাদা লাক্লিবা চহি খরা অসিদা পোল্লিং ষ্টেসন ১০ গী বি.এল.ও অমমমগী চাংদা বি.এল.ও লাখ অমা হেন্না ত্রেনিং তৌগনি। নিংথিজনা ত্রেন তৌরবা বি.এল.ওশিং অসিনা এসেমব্লি লেবেল মাষ্টর ত্রেন্নর ওইদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা বি.এল.ওশিংগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহনগনি।

অখন্নবা কেপাসিতি বিল্ডিং প্রোগ্রাম অসি মীখল নকশিল্লক্লবা রাজ্যশিংদা অহানবা মীৎয়েং থমদুনা তাঙ্কক নাইনা পাঙথোক্কনি। নুমিৎ নিনিগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা বিহার, নোংচুপ বেঙ্গল অমসুং অসামগী বি.এল.ও ১০৯ শরুক য়ারি। মসিগী মথক্তা বিহার, নোংচুপ বেঙ্গল, অসাম, কেরলা, পুদুচেরি অমসুং তামিলনাদুগী ই.আর.ও ২৪ অমসুং দি.ই.ও ১৩ য়াওরি।

মন্টকিবাটঃ থা অসিগী ৩০ দা পাঙথোক্লদৌরিবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ১২০ শুবা মন্ট কী বাট পুকিংগী ৱা থৌরমদা মীয়ামা মখোয় মখোয়গী

ৱাখল্লোনশিং পীরকবা প্রধান মন্ত্রিনা আপিল তৌরি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা শ্রী মোদিনা হায়-হন্দক থাগী ওইনা মন্ট কি বাটকী থৌরমগীদমক মীয়ামদগী তোঙান তোঙানবা ৱাখল্লোন পীরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি। অসিগুম্বা মীয়ামগী ৱাখল্লোন অসিনা সমাজ অসিগী ফনবগীদমক অপুনবা শক্তী তঙাইফদে হায়বদু উৎলি। শ্রী মোদিগী ১২০ শুবা মন্থ কি বাট থৌরমগীদমক মীয়ামা মখোয়গী ৱাখল্লোন তোল ফ্রি নম্বর ১৮০০-১১-৭৮০০ নত্রগা নরেন্দ্র মোদি এপ নত্রগা মাই গোভ ওপন ফোরমদা থা অসিগী ২৮ ফাওবা পীশিল্লবা য়াগনি।

য়ুনিভর্সিতি ঃ লৈবাক অসিগী অহানবা কোওপরেতিভ য়ুনিভর্সিতি গুজরাত্তা লিংলগনি। লোক সভাদা ঙসি ত্রিভুবন সাহকারি য়ুনিভর্সিতি বিল ২০২৫ খন্নদুনা পাস তৌনবা পুখৎলকখি। বিল অসিনা ইন্সটিট্যুট ওফ রুরেল মেনেজমেন্ট আনন্দবু য়ুনিভর্সিতি অমা ওইনা লিংদুনা লৈবাক অসিগী মরুওইবা ইন্সটিট্যুসন অমনি হায়না লাউথোকবনি। য়ুনিভর্সিতি অসিগী মমিং ত্রিভুবন সাহকারি য়ুনিভর্সিতি হায়না খঙনগনি। ইন্সটিট্যুসন অসিনা কোওপরেতিভকী লমদা টেকিকেল অমসুং মেনেজমেন্টকী ওইবা ত্রেনিংশিং পীবগা লোয়ননা থিজিন হুমজিনবগী খুদোংচাবা ফংহনদুনা সাহকার সে সম্প্রিথিগী মঙলান অদু মঙফাওনহন্দুনা কোওপরেতিভকী লমদা মালেমগী থাক্তা পুখৎপা য়ানবনি। থৌরাং অসিনা লৈবাক অসিদা কোওপরেতিভকী ইহৌ হেন্না মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহনগনি।

খন্নবা অদুদা শরুক য়ারদুনা কংগ্রেসকী জেনি বেন নাগাজি ঠাকুরনা হায়- গুজরাত্তা অহানবা কোওপরেতিভ য়ুনিভর্সিতি লিংখৎপা হায়বসি চাউথোকচনিঙাইনি। বি.জে.পিগী মিতেশ পাতেলনা হায়- অপিকপা লৌমীশিংবু হেন্না শক্তি পীনবা হোৎনবদা কোওপরেসন অসি মরুওইবা খোঙথাং অমনি। মহাকা হায়- আনন্দ মিল্ক য়ুনিয়ন লিমিতেদ (অমুল) মায় পাকপগী ৱারী অসি ত্রিভুবন দাস পাতেলগী তমজনিঙাই ওইরবা লুচিংবা অমগী মঙলাননি।

খন্নবগী পাউখুমদা কোওপরেসন মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়- ত্রিভুবন সহাকারি য়ুনিভর্সিতি বিলনা খুঙ্গংগী শেনমিৎলোনদা হেন্না মপাঙ্গল

কনখৎহনবগা লোয়ননা মশানা মশাবু থবক পীজবা অমদি অপিকপা ওন্তরপ্রেন্যুরশিং শেমগৎপদা চাউনা মতেং ওইগনি।

আইটি ঃ কেন্দ্রগী ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং ইনফোর্মেসন টেকোলোজি মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি- সরকারনা আই.টি. ইন্তরমেদিয়ারি রুলসকী মতুংইন্না গেমিং সাইটস ৪১০ থিংজিল্লে। মসি ইন্দিয়ান সাইবর ক্রাইম কোওর্দিনেসন সেন্তরগী রিপোর্ট মতুংইন্না থিংজিনবনি।

লোক সভাদা হংলকপা ৱাহং অমসুং মখা তাবা ৱাহংশিংগী পাউখুমদা মন্ত্রিনা হায়- শেল থানবা অমসুং জ্ৱার শান্নবা অসি ষ্টেট লিষ্টনি অমসুং মসিগী ওইবা আইন শেম্বা হায়বসি রাজ্য সরকারগী থৌদাংনি। মহাকা হায়- হিরম অসিগী মতাংদা কেন্দ্রনা থবক কয়ামরুম লৌখৎলে। মন্ত্রিনা হায়- ওনলাইন গেমিংগা মরী লৈনবা হিরমশিং থেংননবা লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা পায়খৎকদবা থৌদাংশিং ইন্দিয়ান সাইবর ক্রাইম কোওর্দিনেসন সেন্তরনা শেম্মী। মহাকা হায়- অসিগুম্বশিং অসি ভারতিয়া নিয়াই সনহিতাগী সেক্সন ১১২ গী মখাদা থবক লৌখৎপা য়াই।

সিবিআই ঃ লুপা কোতি লিশিং ৬ লোমগী মহাদেব এপপ স্কামগা মরী লৈননা সি.বি.আইনা ছত্তিসগরগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি ভুপেস ভাগেলগী ময়ুমদা থি হুম্বগী থবক চখখ্রে। ছত্তিসগরগী রাইপুর অমসুং ভিল্লাইদা লৈবা ভুপেস ভাগেলগী য়ুমদা সি.বি.আইনা থি হুম্বগী থবক চখখিবনি। সি.বি.আইনা আই.পি.এস ওফিসার মরি য়াওনা পুলিস ওফিসার ৭, আই.এ.এস ওফিসার খরা অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি অসিগা য়ামা নকবা মীওই খরগী য়ুমদা থি হুম্বগী থবক চখখি। সি.বি.আইনা ছতিসগর সহরগী মফম ২০ দা থি হুম্বগী থবক চখখি। কেস অসি ছত্তিসগর পুলিসকী ইকোনোমিক ওফেন্সেস ৱিংনা কেস হান্না পায়রম্বদগী সি.বি.আইনা মখা তানা পায়খিবনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফ্‌টবোল (এল)ঃ ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগকী ঙসি আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দ-লমলোং থোংখোংদা শান্নখিবা মেটচশিংদা উপা ক্যামগৈনা ৱাই.ও.এস.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচতা য়ু.এস.এনা রাহি য়ু.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোহখি।

ফুটবোল (এল)ঃ অহানবা ৱিমেন্স ফুটসাল ইন্তর ক্লব চেম্পিয়নসিপগী ঙসি আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা দ য়ং ৱেলফ্যার ক্লবনা খুমন এফ.এবু পাঞ্জল ৩৩-১ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ুথ ৱেলফ্যার ক্লবনা ই.এস.য়ুবু পাঞ্জল ৮-৫ দা, এম.পি.এস.সিনা মণিপুর য়ুনাইতেদ এফ.এবু পাঞ্জল ৯-৫ দা থোইখি।

ফূটবোল (এল)ঃ ১৫ শুবা লোক্তাক ত্রোফি অন্দর সভেনটিন তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা অমোফা একাদমিনা আর.এফ.সি.সি কৈনৌবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী মীৎয়েং মখাদা ইশোক ফুটবোল ক্লবনা শিনবা অনিশুবা ঐচ. পান্থোইবী দেবী এন্দ ঐচ. তোম্বা সিংহ মেমোরিএল অন্দর থারতিন বোইজ ফুটবোল লিগ ঙসি ইশোক প্লে গ্রাউন্দদা শান্নিখিবা মেটচতা ইশোক এফ.সিনা তাইদাবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ চহি ২৩ মখাগী নুপাগী অনিশুবা এম.এন.সি.এ. হাওম বিরমঙ্গোল সিংহ মেমোরিএল ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.য়ু.সি.সি ক্বাকৈথেলনা মোদেল ক্লব শিংজমৈবু ৱিকেট ৫ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা ই.এস.য়ু ৱাংখৈনা রেজ নাগামপালবু রন ২০ দা, সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউবু রন ১৮৮ দা অমদি পি.সি.সি. ময়াই

কোইবীনা ব্লু হোক খুরাইবু রন ৮৬ তা থোইখি।

ক্রিকেট (এল)ঃ  ১২ শুবা টি ত্বেন্তি মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট তুরনামেন্টকী ঙসি লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবদা এল.সি.সি.সি লিলোংনা চেম্প খাগেমপল্লিবু ৱিকেট ৪ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা নপসা খা ইম্ফালনা এস.এন.সি শঙাইপ্রৌবু ৱিকেট ৫ দা থোইখি।

ওকপা (এল)ঃ  হন্দক্তা ঝারখন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা তকমান লৌরকখ্রবা শান্নরোইশিং ওকপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। ব্লেজ দাইগোষ্টিক লিংখৎখিবা ৬ শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ওকপগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।

------